## গাড়ীনা থোম্বদা নুপা অমা শোক্লে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক কৈথেল এরিয়াদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা লম্বীদা খোঙনা চৎলম্বা নুপা অমা গাড়ীনা থোম্বদগী শোক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা নুপা অদুগী মমীং লৈশাংথেম নন্দকুমার এলিয়জ টিকেন (৫০) কৌই। মহাক খাঙবোক্তগীনি হায়রি। মহাক্না গাড়ীনা থোম্বদগী শোক্তুনা অহানবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মতুংদা মহাক্কী ফিভম লুশিল্লকপদগী মখা তানা লায়েংনবা লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়রি।

## উখ্রুলদা ফেষ্টিবেল ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন ফিল্ম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :
নুমিৎ ৫ নি চুপ্না চৎথগদবা ফেষ্টিবেল ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন ফিল্ম ঙসি উখ্রুল টাউন হোলদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ডা. য়ারোন্সো ঙালুংনা হৌদোকখ্রে।

তাঙ্খুল ম্যুজিক এন্দ ফিল্ম এসোসিএসন উখ্রুলগী প্রসিদেন্ট এন জি ঙাসংঙম অমদি ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র কোংবমনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রোয়েল থাই এম্বেসিগী মিনিষ্টর কাউন্সিল্লর (কম্মর্সিএল) থারাদোন থোংরাউসু শরুক য়াখি। ফেষ্টিবেল অসি ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরনা তাঙ্খুল ম্যুজিক এন্দ ফিল্ম এসোসিএসন উখ্রুল, দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স, দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা খুৎশম্নুনা শীনবনি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ডা. য়ারোন্সো ঙালুংনা হায়, ফিল্ম অসি মীওইবগী নাৎ অমদি পূন্সিগী মহিংবু মশক তাকপা পাম্বে অমনি। খুন্নাই অসিদা ফিল্মগী মরুওইবা থৌদাং অসি মশক তাকপা মথৌ তাই। মণিপুর লৈঙাক অমদি ফিল্ম সোসাইটিনা উখ্রুলদা অসিগুম্বা ফিল্ম পাঙথোকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

ফেষ্টিবেল অসিদা থাইলেন্দ ম্যান্মার অমদি টাইৱানগী ফিল্ম কয়াসু উৎকনি। অহানবা নুমিৎতা চাওবা থিয়ামনা লমজিং-লমতাকপা তাঙ্খুল দোকুমেন্টরি ফিল্ম *খুংয়ি* অমদি রিয়ো ভারামনা লমজিং লমতাকপা *থোটখা মিরিন খানি* হায়বা ফিল্ম উৎকনি। অনীশুবা নুমিৎ মে ১৭ তা রাজেশ্বর য়ুম্নামগী *বেট্টল ওফ শংশট*, অলেকজেন্দর পাওগী *মাইগ্রান্দপাজ হোম* অমদি ফিচর ফিল্মদা ম্যান্মারগী ৱাইননা দিরেক্সন পীবা *লেট পান* অমদি থাইগী ভিচাইলকনা দিরেক্সন পীবা *দ ওভর্চর* উৎকনি। অহুমশুবা নুমিৎ মে ১৮ দা রাইখানগী দোকুমেন্টরি *রিসেন্ট সোলস ওফ তাঙ্খুল*, লি ৰুন চাননা দিরেক্সন পীবা *দ শু ফেরি* অমসুং লি গেংনা দিরেক্ট তৌবা *দ্রিম ফ্লাইট* টাইৱানগী ফিচর ফিল্মশিং উৎকনি।

ফিল্ম মেকিংগী মতাংদা দেমোন্সট্রেসন ৱার্কশোপ অমসুং নিল্পটপাল মজুমদার দিরেক্টর মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট ইম্ফাল, সলাম রাজেশ, ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র কোংবম অমদি নেসনল ফিল্ম এৱার্দী মাইপাকসনা হাওরোংবনা লেকচর পীগনি। মরিশুবা নুমিৎ থা অসিগী ১৯ দা এ রাইখাননা লমজিং-লমতাকপা তাঙ্খুল ফিচর ফিল্ম *অসাং ঐনা ইতোন* অমদি কোং দেজনা দিরেক্ট তৌবা থাইলেন্দ ফিচর ফিল্ম *টাং-ৱাং* উৎকনি। অরোইবা নুমিৎ মে ২০ দা ভেলিদিক্টিরি ফঙ্কসনগা লোয়ননা ফিল্ম ফেষ্টিবেল লোইশিনগনি।

## ক্ষেত্রিগাও অমদি হট্টাদগী এস পি কেপসুল ২১৬৮, এন টেন ১৭০ ফারে



ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অথিংবা লৈনা লৈনা নারোনদা য়োন্নবা হোৎনরম্বা এস পি কেপসুল অমদি এন টেনগা কোন্নবা মীওই অনী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনা ফারে হায়রি।

ঙসি নুংথিল পুং ৬ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিস্নেল এস পি (ওপস) কে মেঘচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাও এরিয়াদা থিবা হুন্বা চৎথবদা এন টেন টেব্লেট মশীং ১৭০ অমদি পাউদর ওইনা তকখায়রবা এন টেন টেব্লেট গ্রাম ৭২ গা কোন্ননা মীওই অমা ফারে। পুলিসনা পোৎকা ফারবা মীওই অদুগী মমীং এম দি মুনিস এলিয়জ তোম্বা কৌই। মহাক ক্ষেত্রিগাও ময়াই লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। পুলিস কম্মান্দো টিম অসিমক্না মখা তা পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা হট্টা গোলাপতি এরিয়াদা থিবা হুন্বা চৎথবদা মীওই অনী এস পি কেপসুল ২১৬৮ গা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদুদি, লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়দগী এম দি কৈশ অহমদ অপোকপা এম দি অব্দুল সমদ অমদি লৈকায় অসিমক্তদগী কুরিময়ুম অব্দুল সত্তর অপোকপা অব্দুল হগ কৌই। মখোয় অনিদগী এস পি কেপসুল ২১৬৮ ফাগৎখ্রে হায়রি।

## ‘রেপিষ্টশিং ওসিফিকেসন টেষ্ট তৌগদবনি’




ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :
হৌখিবা এপ্রিল ১৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফক্কুংদা মীওই তরেৎনা নুপীমচা অনী গেঙ রেপ তৌবদা চেন্নবা মীওই মঙা জুবেনাইলনি হায়দুনা হৌজিক তাকয়েলগী জুবেনাইল ওবজর্বেসন হোমদা লৈরি। হোমদা লৈরিবা মীওই মঙা অদু ওসিফিকেসন তৌগদবনি হায়না দাবি তৌরদুনা গেঙ রেপ অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা কোর কম্মিটি ফক্কুং গেঙ রেপগী মীয়াম্না ঙসি তাকয়েলগী ওবজর্বেসন হোমদা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা প্রোটেষ্ট চৎখ্রে। মীওই মঙা অদু জুবেনাইল জষ্টিস বোর্দ, ইম্ফাল ইষ্টতা পুথোক্তুনা হিয়ারিং চৎথগদবা অসিদা ওসিফিকেসন টেষ্ট তৌগদবনি। ঐখোয় জষ্টিস পাম্মী, রেপিষ্ট চৈরাক পীয়ু, চৈরাক পীবা থেংথবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

কোর কম্মিটি ফক্কুং গেঙ রেপকী কো কনভিনর হেলেমনা ফোঙদোকখিবদা, রেপিষ্টশিং অদুগী মনুংদা এজ গ্রুপ তোঙান তোঙান্না সর্টিফিকেট পুথোরকপা অদু য়ানিংদে। সাইন্টিফিকেসন ওইবা প্রুফ ওইনা ওসিফিকেসন টেষ্ট তৌবীয়ু হায়জবনি। মসিনা মরম ওইদুনা চার্জসিট থাঙ্গৎপদা থেংথবগা লোয়ননা রেপিষ্টশিংবু চৈরাক পীবদা থেংথহন্নবা মচাক্তি ওইহনগুমসি হায়খি। অথুবা মতমদা জুবেনাইল জষ্টিস বোর্দ ফমদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংবু চৈরাক পীনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

## লম্বী শেম্বা লোয়শিনবীদ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :
কৈশামথোং এসেমব্লী কন্সটিট্যু-য়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কৈশামথোং হোদাম লৈরক অমদি তোপ লৈরক অনী অসিগী ফিভম য়াম্না শোক্লে।

লম্বী অনী অসিগী মনুংদা হোদাম লৈরক্কীদি নুঙ খরা চায়থোক্লম্লগা থল্লম্বদগী ঙসি ফাওবা মরী লৈনবশিংনা থবক অমত্তা মপুং ফানা লোয়শিনবীদনা থল্লি। লম্বী অসি টিদিম লম্বী অমদি ময়াই লম্বী ফাওরগা চৎপা ওইবনা গাড়ী য়াম্না ফাওদোক ফাওজিন তৌনরিবনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীদুনা লম্বী অসি শেম্বীয়ু হায়না লম্বীগী নাক য়েৎতা তারিবা মীওই খরনা ফোঙদোরক্লি।

মরকসিদা, কৈশামথোং তোপ লৈরকসু মতম শাংনা মরী লৈনবশিংনা শেমজিনবীদবনা লম্বী অসিগী মফম কয়াদা পোট হোল লৈবগা লোয়ননা লম্বীগী ফিভম শাথিনা শোক্লে হায়রি।

টিদিম লম্বী অমদি ময়াই লম্বী ফাওনবা য়াবা য়াম্না মরুওইবা লম্বীনি। নোং খজিক্তং চুবদা লম্বী অসিগী কোক্কুৎ ময়াম অসি ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবনা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা হায়নিংঙাই লৈতনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়রি। মরম অদুনা নোংমদা মীওই চা কয়ানা ফাওদুনা চৎলিবা লম্বী অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা শেম্বীনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চীংশিল্লক্লি লোয়ননা লোকেল এম এল এনসু হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

## মণিপুরদা হায়দ্রোকার্বোন...

*লামায় ১গী মখা...* ওইল ব্লোক টুগী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌখিবগা লোয়ননা চহী অদুমক্কী সেপ্টেম্বর ২০ দা মণিপুর লৈঙাক্না লাইসেন্স পীখি।

মণিপুর মীয়ামদা ৱাফম অমত্তা খঙহনবা তৌদনা কুমজা ২০১০ গী নবেম্বর ১৫ দা এক্সপ্লোরেসন লাইসেন্সকী দিদ সাইন তৌখি।

থৌরাং অসিগী মখাদা স্কৱার কিলোমিটর ৩,৮৫০ পাক চাউবা মফমদা থাউ থিবগী অয়াবা পীখি। মণিপুরদা চাউরাক্না থাউ ক্যুবিক ফিট বিলিয়ন ৫,০০০ রোম লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। হায়দ্রবাদতা বেজ তৌবা অলফা জি ও কম্পেনিনা আইদেন্টিফাইদ তৌরবা ওইল ৱেল ৩০ দা জুবিলিয়ন্ট ইনর্জিনা থাউ থিবগী থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

হন্দক্তা থাদোরকখিবা জুবিলিয়ন্ট ইনর্জিগী রিপোর্টতা চাউরাক্না থাউ ক্যুবিক ফিট বিলিয়ন ৩৮০ দগী ক্যুবিক ফিট ত্রিলিয়ন ১.৪৩ ফাওবা মণিপুরদা লৈরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

**GAS TODAY**

**ATHOKPAM INDANE (WANGJING & KHONGJOM)**
Booking Upto:10/03/2017
Valid From: 21/02/2017
**Stk:306**
Timing: 07:30am - 10:00am
*(Please submit Aadhaar Xerox)*

**M/S KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:18/03/2017
Valid From: 06/03/2017
**Stk:306**
Timing: 08:00am - 12:00noon

## ‘মণিপুর থুগায়বা য়াবা ৱাফম ...

*লামায় ১গী মখা...* অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগায়ননা শীনবা য়ারোই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কাঙলূপ-ফুরুপ নাইবা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা আই-এমগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখি। অদুবু আই-এমগী পিছ টোক তৌনরক্লিবা অসিনা চহী ২০ শুরে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবসি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি আই-এমগা ৱারী শাননবা লৈঙাক্না হাপখিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি খক্তনা খঙই। হৌজিক্তি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি য়াওরিবগে হায়বদু লোৎশিনবগী মতম হেল্লে।

এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা হায়খি, অপূনবগী শক্তম, নুংশিনবগীদমক্তা, পূনশিন্নবগীদমক্তা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট তৌনবা ওইরগদি য়াম্না ফৈ। অদুবু মণিপুর কায়ননা তৌবা ওইরগদি এমসুনা য়াবা ঙম্লোই। অপূনবগী শক্তম কায়হন্নবা হোৎনবদা কুমজা ২০০১ দা মীওই ১৮গী থৱায় কৎখিবা অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নীংশিংবা চুমগনি।

## ইরমদম মশক খঙবদা এদ্যুকেসন ...

*লামায় ১গী মখা...* হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট লোংজম রতনকুমার মীতৈনা হায়খি, লমদম অসিদা ৱাথোক-লাম্থোক কয়া থোক্তুনা লৈরি। মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা য়াওবা ঙম্নবা ঐখোয়না হোৎনবা মতম ওইরে। লমদমসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা নাৎ চৎনবী অমদি শক্তমশিং খঙবা অমদি মসিবু ঙাক্তুনা চৎপা তাই। ঐখোয়গী নাৎ শক্তম নীংথিনা ঙাকপগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক হোৎনবা চঙই। মীশীং য়ামদবা ফুরুপ অসিগী শক্তম কন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসামগী প্রসিদেন্ট করাম ইবুংঙোহলনা হায়খি, মপান লমদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা লমদমসিগী শক্তমবু ঙাক্লবা হোৎনৈ। অসামগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা মহৌশাগী নাৎ, চৎনবী অমদি লাইনিং-লাইশোলশিং ঙাক্না চৎনবগীদমক হোৎনদুনা লাকই। অসামদা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরীশিংনা মহৈ তম্বা মতমদা মহৈলোইশঙ কয়াদা অল্টরনেটিব মণিপুরী লৌবগী খুদোংচাবা লৈরম্মী। অদুবু হন্দক্তা অসামদা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থবক থৌরাং মনুং চন্না অল্টরনেটিব মণিপুরী লৌবা ফংলোইদবগী ফীভম অমা উবা ফংলক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না অসাম লৈঙাক্তা থম্বীরবদি য়াম্না ফগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হেরিকোনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ ওকেননা হায়খি, হেরিকোননা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ, কাঙলূপ খুদিংমক নুংশি চাননা লৈমিন্নবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। হেরিকোনগী মোটোদি হিংঙউ, হিংমিন্নসি হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবনি। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা পথাং-পুথাং কয়াদগী হৌমিন্নরক্লবা ফুরুপচা পুম্নমক্না লোয়ননা য়েলহৌমীশিং পূন্না মতৌ করম্না তুং কোয়না খুমাঙ চাউশিনবা খুন্নাই অমদা মাঙজিল থানা চঙশিনমিন্নবা য়াগদগে হায়না হোৎনদুনা লাক্লি। থৱায় য়াওনা ইশা-ইশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা চৎমিন্নরিবা পুম্নমক্কী অপূনবা অমা ওইনা হেরিকোন চহী ১৫ চুপ্না থৌদাং কয়া য়াদুনা লাক্লি। পুম্নমক তুংগী য়ুম্বীরেন ওইগদৌরিবা নহাশিংদা য়ুম্ফম ওইবা মহৈ-মশিন তম্বীবা নাৎ, হকশেল অমসুং শেন্মীৎলোনগী ওইবা এৱ্যেরনেস কয়া পীদুনা লাক্লি। ৱাখল্লোন মান্নবা লুপ কয়াগা খুৎশম্নদুনা খুমাঙ চাউশিন্না খুন্নাই অসিবু কুপশেন শেন্নমিন্নরিবা হেরিকোননি। হীরম অসিদা খোঙথাং অনী থোক্না চঙশিল্লি। অহানবা খোঙথাংদা ষ্টেট অসিগী মনুংদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপ, কাঙলূপশিংগী শক্তম অমদি তুংগী ফিরেপ অমসুং লৈঙাক্কী ওইরক্তদৌরিবা শক্তম নৈনবনি। অনীশুবদা ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগা পাউ ফাওদোক্নদুনা য়েলহৌমিশিংগী য়াইফনবা লম্বী পুথোকপনি।

ষ্টেট অসিগী নহা ওইরিবা য়ুম্বীরেলশিং পূন্না উনহন্দুনা ৱাখল, লৌশিং অমসুং শেন্মীৎলোন চাউখৎমিন্নবা য়াবা লম্বী থিমিন্নবনি। থোইদোক হেন্দোক্না লমদম অসিগী মীয়ামগী হ্যুমেন রাইটস শোকপা ৱাথোকশিংদা পূক্নিং চঙবা, হকশেলগী মরমদা নৈনবা, ইনভাইরোনমেন্টেল অমসুং শেন্মীৎলোনগী মরমশিংদা মীয়ামগা ইরোয়ননা খন্ন-নৈনবগী কমন প্লেটফোর্ম অমা শাগৎতুনা দেমোক্রেসিগী শক্তম হেন্না ফজনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারি। অপূনবগী শক্তম কন্নবগীদমক চহী খুদিংগী মেরা হৌ চোংবা থৌরম পাঙথোক্তুনা চীং-তমগী অপূনবা শক্তম উৎনবা অমদি ইপা-ইপুশিংনা থল্লম্বা কমন কষ্টমরি ফেষ্টিবেল অসিগী নুংগী ওইবা পাউজেল মপুং ফানবা হোৎনবনি।

নাৎ য়োকখৎনবা হোৎনবদা ৱাখল্লোন মান্নরিবা লূপশিংগা লোয়ননা পেনা, খুল্লং ঈশৈ, লাই হরাওবা, অরিবা লাইরিক অমসুং লাইরিক তম্বগী থৌওং কয়াদা অকুপ্পা মীৎয়েং থল্লিবা অমত্তা ঙাইরবা কাউন্সিলনি হায়বা য়াই। নহাশিংবু লুচিংবগী লোনচৎ শাগৎপা, থাঙ-তাগী শক্তম নৌহৌননা শাগৎপা অমসুং নুপী খুন্নাইগী শক্তম শাগৎপদা শেন্মীৎলোনগী তঙাইফদ্রবা হীরম কয়াদা কুপ্না নৈনবা লূপ অমসুনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোক সোং শকপী মক্কা ময়াংলম্বমদা তোমথিন খুদোল তমদুনা পূক্নিং থৌগৎপা উৎখি। খঙমিন্নসি ইরমদম ক্বিজগী ফাইনেল ইপিসোদসু পাঙথোকখি।

## তোঙান তোঙানবা লালহৌ লুপকী কাদর মঙা ফারে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :
কৈরাও এরিয়াদা য়ু জি খরা লৈরে হায়বা পাউ ফঙবদগী ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ৬ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা নুংথিল পুং ১.১০ রোম তাবা মতমদা থিবা হুন্বা চৎথবদা প্রিপাক্কী কাদর অমা ফারে হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা কাদর অদুগী মমীং ময়েংবম সনাথোই এলিয়জ লৈরম্বা (২১) অপোকপা এম তার্জন কৌই। মহাক সেকমাইজিং খোইদুমদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দা মখা তানা ৱাহং পাউহং চৎথবদা মহাক লুপ অসিগী জোইন্ট ফাইটিং ফোর্স কো ওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম) গী মেম্বরনি হায়রি।

মহাক কুমজা ২০০৬ তা লুপ অসিদা য়াওবনি। কুমজা ২০০৭ দা মিলিটরি ট্রেনিং ফঙলে। মহাক্কী বেটচ নম্বরনা ২৯ শুবনি। মহাক হৌজিক কৈবুল লমজাওদগী শেমদোকপা কৌবা মশানা মশাবু কেপ্টেন্নি হায়জবা মীওই অসিগী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৫০ রোম তাবা মতমদা সওম্বুং ওইল পম্পগী মপু বিজয়গী য়ুমদগী কে সী পি (এম সী) গী কাদর অহুম ফারে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদুদি, ফক্কুং সওম্বুংদগী ওক্রম ওজিৎ এলিয়জ নাওবী (২১) অপোকপা ও সনাতোন, ৱাংজিং লমদিংদগী অসেম রোমেন এলিয়জ উতম এলিয়জ রামে (৩৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ মুহিন্দ্রোনি। মহাক হৌজিক হৌজিক্না ককচিং ৱাইরি বামোন পরেংদা লৈবনি হায়রি।

নুংথিলগী পুং ৩.০৫ রোম তাবা মতমদা ককচিং ৱাইরি বামোন পরেংদগী লুপ অসিগী কাদর অমসু ফাগৎখি। মহাক্কী মমীং সলাম নিংঙোল অসেম ওংবী অইংবী (৩০) মপুরোয়বা এ রোমেন কৌই। মহাক ৱাংজিং লমদিং চেরাপুরদগী লাক্লগা হৌজিক্না ককচিং ৱাইরি বামোন পরেংদা লৈবনি হায়রি।

মখোয়দগী মোবাইল ফোন অমা, পোইন্ট ৩২ পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অনী য়াওনা ফঙলে হায়রি। ওজিৎ অমদি রোমেনদগী মোবাইল ফোন অমা, কে সী পি (এম সী) গী দিমান্দ লেট্টর মরি ফঙখি হায়রি। দিমান্দ লেট্টর অদুদা কে সী পি (এম সী) গী মিষ্টর ইংবা এস এস দেপ্যুটি ফাইনান্সনা খুৎয়েক পী হায়রি।

মরকসিদা, ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাগারাম এরিয়াদগী মণিপুর নাগা রিভোল্যুসন ফ্রন্ট (এম এন আর এফ) কী কাদর অমা ফারে হায়রি। ফারবা কাদর অদুগী মমীং খুইশাং হুংয়ো (২৯) অপোকপা রিংসুম হুংয়ো কৌই। মহাক কসোম খুল্লেনদা লৈবনি হায়রি। মহাক হান্না এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদর ওইনা লৈরম্বনি।

## মণিপুর ঈং-তপ্পা ষ্টেট ওইরবনি ...

*লামায় ১গী মখা...* ওইরিবা দল্লিয়ু হংশিং অমসুং খুল অসিগী নিংঙোল মৱা জে শিমরেসু মেম্বরশিং ওইনা হাপখ্রবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লৈঙাক অসি থবক হৌবদমক ঙাইরিবনি। কনাগুম্বনা ক্রিটিসিজম পীবীগে হায়রবসু মতম খজিক্তং ঙাইবীখো। মহাক্কী লৈঙাক অসি মমাঙগী লৈঙাক্না তৌরম্বা অশোয়বশিং থিগৎকে লাকপা নত্তে, অচুম্বা তৌগে লাকপনি। অরানবা তৌরম্বশিং থিরগা চৈরাক পীবরোমদা কৈদৌঙৈদসু চৎলোই।

ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংদা পাউ নৈনবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, নেগেটিব ওইবা ৱাখল্লোননা চীং-তমগী মরী লাপথোক্লহল্লি। মদুগী মহুৎতা পোজিটিব ওইবা ৱাখল্লোনদা পাউ নৈনবীয়ু, মদুনা চীংমী-তম্মীশিংগী মরী নকশিন্নবা হেনগনি।

মহাক্কী লৈঙাক্তি হায়খিবা ৱাফম ঙাক্না চৎকনি। মমাঙগী খোঙচৎতা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা নুপী কৈথেল শাননবা লুপা ক্রোর ১০ পীগনি হায়খিবদু সেঙ্কসন তৌখ্রবনি। কৈথেল শাবা হৌরগনি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল অসিসু অহানবদা লুপা ক্রোর ১ খক্তমক চঙগনি হায়না পানরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি লুপা ক্রোর ২ চঙলগনি হায়না পানরি। অসিগুম্বা থবকশিংদা কৈদৌঙৈদসু শেল ৱাৎহল্লোই হায়খি।

মহাক্না হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগীদমক তৌবা য়াবা তৌরগে হায়দুনা লৈরবনি। তৌবদদি পূকচেল শেংবদি তাই। শাংলবা মতম কয়া অমা লোইশিনবা ঙম্লমদনা লাকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অমসুং চুড়াচান্দপুরগী ৱাথোক হৌজিক্তি লোইশিল্লে। মণিপুর হৌজিক্তি ঈং-তপ্পা ষ্টেট অমা ওইরবনি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, অনৌবা লৈঙাক অসিদি এক্সন ভিজিবল ৱার্ক্স হায়বদা মীয়ামদা থয়েং থরুপ থোকপা তৌখে। মমাঙগী লৈঙাক্না ৱার ফুটিংদা থবক তৌসি হায়রগা থবক কয়ামকম লোইশিনবা ঙমদনা থরুপ্লি।

হেরিকোনগী থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েট, দল গ্রান্দ-প্রি কম্পিটিসন লমথাখি। থৌরমদুদা পি ঐচ ই মিনিষ্টর লোসি দিখো, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ডা. সাপম রঞ্জন, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এল ইন্দ্রজিৎ, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এল রামেশ্বর, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এল সুসিন্দ্রো, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কাশিম বাসুম, অৱাংথৌ ন্যুমাই, কে দৌলৈসিং অমসুং এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগী স্পেসল গেষ্ট ওইনা রোয়েল থাই এম্বেসি ন্যু দিল্লীগী মিনিষ্টর কাউন্সিল্লর থরাদোন থোংরাউস অমদি ঈ সীগী সেক্রেটরি রামভাংনিং মুইভাসু শরুক য়াখি। নোং-চিংগী ফিল্ম ফত্তবা অমসুং শিল্পি লাংলৈবশিংনা থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম অদু মথক কুপ্তনা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াবা অমদি য়েংবা লাকপশিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা থোকহনখি।

## থাঙ থাদনা শীজ হোস্পিটালদা...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্টেষ্টাইনদা কা হেন্না ঈ থোকপদগী হিমোগ্লোবিন নেমখিবা মরম্না পেসেন্ট অনীমক এন্দোস্কোপিক অমদি ওপন সর্জরি তৌবা য়াবগী ফীভম লৈখিদে। পেসেন্ট অনীমক্কী আর্টরিদা ঈ থোক্লিবা মফম অদু ওপন সর্জরি তৌদনা দি এস এ কেথলেব মেছিন অমগী মতেংনা ঈ থকহনখি।

লোকেল এনেষ্থেসিয়া পীরগা পিন হোল ইন্ট্রি শিজিন্নদুনা লায়েংখিবা মরম্না পেসেন্ট অনীমক গ্যাষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ব্লিদিং এম্বোলাইজেসন চথরিঙৈদা ৱাখল মাঙখিদে।

অতেনবা মতমগী মনুংদা হিমোগ্লোবিনগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ফীভম ফগৎলকপদগী পেসেন্ট অনীমক নুমিৎ খরনিগী মনুংদা দিসচার্জ তৌখি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্টরবেন্সনল রেদিওলোজিগী মতেংনা ওপন সর্জরি তৌদ্রবসু হকচাংগী ওর্গান সিষ্টেম খুদিংমক্তা নাবা লায়না লায়েংবা ঙম্লে। থৌওং অসিনা মীওইবগী পূন্সি কনবা ঙম্বগা লোয়ননা চৈনাখোল ফাওদনা অমসুং দাগফম লৈহন্দনা অতেনবা মতমগী মনুংদা অনাবা ফহনবা ঙম্লে।

## গাড়ী হুরাল্লগা চেন্নবা হোৎনবা মীওই ...

*লামায় ১গী মখা...* এস আই অরুনকুমার অমদি লিলোং পুলিসকী টিমনা অঞ্জুমানগী টিম অমগা লোয়ননা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট তম্না লাকখি। এয়রপোর্ট ওঠোরিটিদা হীরম অসিগী মতাংদা খঙহনখি। এয়রপোর্টতা দ্যুটি তারিবা পুলিস পিকেটতসু খঙহনখি। এয়রপোর্টকী চঙফম গেটতা দ্যুটি তারিবা সী আই এস এফ পার্সনেলশিংদসু ঈ-পাউ খঙহনখি।

মফম অদুদা হেক থুংবা মতমদা মীওই অদু মহাক্কী লগেজ হুন্দোক্লম্লগা এরাইভেল টর্মিনেলগী নাকলদা চেন্নবা হোৎনখি। খুদক্তা পুলিস টিম অদুনা মহাকপু এয়রপোর্ট কেম্পসতগী ফাখি। অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ৱিটনেসকী মমাঙদা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখি। মীওই অদু পুলিস ষ্টেসন অসিদা মখা তাবা থবক পায়খৎনবগীদমক পুরকখ্রে হায়নসু মখা তারি।

**CAS Medical**
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
**Registration Open**
**ADVANCED REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET(U.G.)**
**FIRST BATCH**
Registration Starts:- 13 May, 2017
Last Date of Registration :- 31st May, 2017
Class Commencing from :- 1st June, 2017
**Special Feature:**
* Authentic Study Materials from Enrichment, New Delhi
* Weekly, Monthly Tests along with Test Series and Mock Tests
* Medium of Teaching English
* Concession for first fifty (50) Students
* Free Studentship for Position Holders
* Special Concession for former CASIANS
* Concesssion for high scorer at previous NEET Examination

For Details Please Contact:-
CAS, Office, Main Building, Keishampat Junction ( Office Hour -5.00 am - 7.30 pm )
& New Building, Opposite Keishampat C.C. Pur Parking( Office Hour:10.30am - 4.30 pm )
Separate Hostels for BOYS and GIRLS Available.

HL-B/3830/24-4/24-5

## এন সোভাকিরন এম পি পিদগী ...

*লামায় ১গী মখা...* অয়ুক পুং ১১ খরা হেল্লকপা মতমদা এম পি পিগী ৱার্কর কয়ানা নোংমৈকাপ্পম সোভাকিরনবু মশামক্কী কাদগী থোকহল্লবা মতুংদা মহাক্না ফল্লম্বা চৌক্রি অদু মপান্দা থাংদোকখি অমদি মহাক্কী কা অদু শো লোনশিন্দুনা থমখিবনি। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা পার্টি অসিনা শাথীনা মায়থীখিবা মতুংদগী পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এন সোভাকিরনগী মিংচৎ ময়েং তারকখি অমসুং মহাক্কী পার্টিগী ৱার্করশিংনা মঙোন্দা থম্লম্বা থাজবশিং মাঙশিল্লকপনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা শীন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লবা লৈখি।

## থোঙ ফক্কায়রম্বা মীওই ৩ ...

*লামায় ১গী মখা...* (২২) অপোকপা ইবোহনবী অমদি খাইদেম গান্ধী (২০) অপোকপা লৈখিদ্রবা রোমা কৌই। মখোয় অহুম সেক্তা মখা লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি সেক্তা মখা লৈকায়দা লৈবা লাইনিংথৌ অচংবা লাইবুংদা খুল অনীগী অপূনবা মীফম অমা ফল্লবা মতুংদা হয়েং মে ১৭ ফাওবগী মনুংদা থোং অসি লৌথোকপদা চেন্নরিবা মীওই অহুম অসিনা শেমজিনবা হায়না ৱারেপ্পখ্রে হায়রি। ঙমদ্রগনা খুল অনীনা পীবা চৈরাক অদু মখোয় মশা-মশানা য়াবা হায়না ৱারেপ লৌখি। থোং থুগায়বগা মরী লৈননা হুইদ্রোম মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি হুইদ্রোম য়াইমনা ফোঙদোরকপদা থোং অসি হান্নদগীসু ফীভম ফৎত্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা মীৎয়েং চঙবীনবসু আপিল তৌরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ১৭-০৫-২০১৭, য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২১ নি পানবা, নুংথিলগী পুং ৪.৫৭ দগী ২২ পানবা চঙবা, যোগিনি মায়কৈদি নোংচুপ, নুংথিলগী পুং ৪.৫৭ দগী কৌব্রু।

**মেষ** ঃ মরী মতাগী নুংঙাইতবা পাউ লাকপা, মীনা শন মান তৈবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোক অমদা কৈ অনী কুনবগুম্বনি, পুক্নিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চান্দন।

**বৃষ** ঃ লোয়নবা মখা থাবগা শাওনবা, নীংজবা থুংবা, কান্নবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথীবা, শাওনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ অঙৌব।

**মিথুন** ঃ নুঙ্গাংবা, অক্নওবা পীবা মতাংনি। থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুঙনাংবা পোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**কর্কট** ঃ মীনা পাউথোকপা, নুংনাংবা লৈরবসু কান্নবা লৈগনি, লন চঙবা, নুংঙাইবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ চানবা পোৎতা কান্নগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মরৌ লৈবা, ৱাহৈ পুথবা মতাংনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**সিংহ** ঃ অকি অখঙ লাকপা লৈ। শাওনিংবা লাকপা, অনৌবা মীওইদগী মতেং ফঙগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল ফাওরকপা, নুংঙাইজবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, ঘী।

**কন্যা**ঃ শাওনিংবা, থবক তৌবদা চনিং তাদবা, য়েংশিনবা য়াম্বা, অনৌবা পাউ লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ হীদান্নবা লৈগনি, পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং চেৎশিন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**তুলা**ঃ মরুপ্না য়েক্নবা ওইবা, ইচিন ইনাওদগী মুক্নবা পীরকপা, বুদ্ধি লৌশিং ফগৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী পোৎলম কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্তনা অমা ঙাংথোরকপনা অমা ওইগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

**বৃশ্চিক** ঃ অৱা নুংঙাই য়ান্নগনি। মীনা পাউথোকপা, অরানবা পোৎ, লৌরি য়ুম্ফম লেপ্পা ঙম্বা লৈ।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোথোক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ মায়, মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**ধনু**ঃমীৱা মৈশা লৈবা, লাঙতক্লবা, পন্দুনা লৈবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ পৈশাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মরুপ ফঙজবা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ অঙাঙবা।

**মকর** ঃ নিংদোন পোম্বা লৈ। মখা থাবা মীওইদগী ইকায়বা নংবা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাওনবা, ৱাখল খেৎনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ** ঃ নুংনাংবা লাকপা, মখা থাবা, জাতি মান্নদবা মীওইদগী অয়েৎপা লাকপা, পৈশা চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মীয়ামগী থবক থৌরমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাগৈ নাতৈনা পাউথোকপা লৈ।
হকচাং ঃ খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ অঙাবা।

**মিন** ঃ শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, য়ুমদা লৈনিংদবা চৎপদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ কোক, খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।